HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নরেন্দ্র সিংহ তোমার অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সাধবি নিরঞ্জন জ্যোতিনা আর দি এন্দ পি আরগী দিরেক্টরদা এৱার্দ খুৎশিন্নবগী শক্তম লামায় ১

সঙাইপ্রৌ মমাঙ ৰাইশেল তাবা লম্বী হায়না খঙনদুনা লাক্লবা লম্বী অসিদা কৃষ্ণ রোদ হায়না ইরগা থেৎলম্বা সাইন বোর্দ জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৰিংনা লৌথখিবা লামায় ১

ফমশীৎ নৎত্রগা ষণ শাদুনা চৎপা নৎতনা চৎপা ঙমদদুনা লৈরিবী মাইবম সনাতোম্বীদা কংলৈপাক ন্যুজ তেংবাং লূপ (কে এন টি এ)না শেলগী তেংবাং পীখিবা লামায় ৫

লম্ফেলপাৎতা লৈবা কেন্দ্র বিদ্যালয়াগী ৫৪শুবা এন্যুএল দে থৌরমদা মহৈশঙ অসিগী অফবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎখিবগী শক্তম লামায় ৪

Vol. 43, Issue No.262 | ইরাই, পোইনুগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, December 20, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

স্টেট ফাইনান্সিয়ল হ্বাইট পেপর পুথোক্কনি, রেভিন্যু হেনগৎহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা হৌখিবা চহী ৫ রোমগী ফাইনান্সিয়ল হ্বাইট পেপর পুথোক্কনি, ষ্টেটসিগী রেভিন্যু হেনগৎহন্নবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়না ফাইনান্সকী থৌ পুরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন অমদি কে মেঘচন্দ্রনা ষ্টেটসিগী ফাইনান্সকী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেটসিগী ফাইনান্সিয়ল হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্কনি। হৌখিবা চহী ৫ রোমদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবা ফীভমশিং পুথোক্কনি। ষ্টেটসিগী জি এস দি পি হৌজিক চাদা ৮ দা হেনগৎলক্লবনি। রেভিন্যু রিছোর্স লৈজদবা ষ্টেট ওইবনা শেল-থুমগী মেনেজমেন্ট তঙাইফদে। রেভিন্যু রিছোর্স হেনগৎহন্নবগীদমক ষ্টেটসিদা ভেট হীরম খরদা হেনগৎলে। এক্সাইজ দ্যুটিগী টেক্সসু হান্নদগী হেনগৎলে। লোটরি হৌদোক্লবসু কেবিনেটনা লেপ্পখ্রে। রেভিন্যু হেনগৎহন্নবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎপনি। কুমজা ২০১৯ গী ওইনা এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসন লুপা ক্রোর ২০৯৫ তৌখি। এনকেজমেন্টনা লুপা ক্রোর ১৫৯৬ তৌখ্রে। চ্যেক দ্রোৱেল ওথোরিটিনা লুপা ক্রোর ২৭১ গী তৌখ্রে। থা খরগী মমাঙদা সেন্টরদগী লাক্কদবা ষ্টেট স্যেরদা খরা ৱাৎনা থারকপনা মরম ওইরগা ওভর দ্রাফ্টকী ফীভম লাক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈবনা ফাইনান্সিয়ল মেনেজমেন্ট চখদুনা লাকখিবনি। চহী অসিগী মে থাদা ষ্টেট স্যের লুপা ক্রোর ৩০৫ খক লাকখি। মসি লাকফম থোকপা চাংদগী য়াম্না হন্থরবনি। জুনদসু লুপা ক্রোর ৩০৫, জুলাইদসু লুপা ক্রোর ৩১৫ লাকখি। স্যের খরা হন্থনা লাকখিবা থা খরা অসিনা মরম ওইরগা ফাইনান্সিয়ল মেনেজমেন্টতা খরা খুদোংচাদবা থেংনখিবনি। অদুবু মতম-মতমগী ওইনা আর বি আইগী বেন্দ লাক্তনবগীদমক চেক তৌগদবা অমদি মেনেজমেন্ট তৌগদবা অদুদা ওফিসল লাপসেস খরা লৈরম্বদগী খুদোংচাদবা থোকখিবনি। হৌজিক মেনেজ তৌরগা অদুম্মক চৎলি। ষ্টেটসিগী রিছোর্স কয়া লৈতবা মরম্না শেল-থুমগী মেনেজ তৌবদা য়াম্না ...মখা লামায় ৩ কলম ২

এন আর সী চৎনহন্নবা সেন্টরদা চে ইখ্রে, অয়াবা পীরকপগা থবক হৌগনি : বিরেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেটসিদা এন আর সী চৎনহন্নবা সেন্টরদা চে ইখ্রে, অয়াবা হেক পীরকপগা থবকশিং পায়খৎপা হৌগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি এসেম্ব্লীগী ৱাহং-পাউখুমগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

এসেম্ব্লীগী ৱাহং-পাউখুম মতমদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা এন আর সীগা মরী লৈননা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, ষ্টেটসিদা এন আর সী চৎনহন্নবগী মতাংদা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা খন্নবা লৈখ্রে। সেন্টরদা চে অমসু ইখ্রে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইমপ্লিমেন্টেসন তৌনবা এপ্রুভ হেক তৌরকপগা থবকশিং পায়খৎপা হৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ষ্টেটসিদা ইলিগেল মনি লেন্দিং বিজিনেস হেনগৎলকপা য়েংশিন্নবা লৈঙাক্লা করি থবক পায়খৎলিবগে : ওক্রম সুর্যকুমার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা ইলিগেল মনি লেন্দিং বিজিনেস হেনগৎলকপা য়েংশিন্নবা লৈঙাক্লা করি থবক পায়খৎলিবগে, নোটিফিকেসননচিংবা থোকখিবা লৈব্রা হায়না এম এল এ ওক্রম সুর্যকুমারনা ঙসি এসেম্ব্লীগী ৱাহং-পাউখুমগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহং-পাউখুমগী মতমদা মনি লেন্দিংগী মতাংদা ৱাহং হংলদুনা ও সুর্যকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা ইলিগেল ওইবা মওংদা মনি লেন্দিং বিজিনেস চথবগী মওং কয়া মমাঙথক্তগী তাদুনা লাক্লি। ৱাংজিংদা প্রাইভেট ফাইনান্সিয়ল কম্পেনি অমা লিংখৎলম্লগা য়াম্লবা শেনফম খোমগৎলগা মাঙখিবগী ৱাফম অমসু তাখি। ভিজারেভনচিংবা ইন্টর্নেটকী খুথাংদা চথবা শেল তানবগী থৌওং কয়া মমাঙদা থোকখ্রে। ষ্টেটসিগী মীওই কয়া অসিগুম্বা অসিদা শেল মাঙনখিবা কয়া য়াওরিবনি। চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা প্রাইভেট কম্পেনিগী মিংদা শেল খোমগৎপগী থৌওং কয়াসু তাবা ফংখি। মসি লমদমসিগী মীয়ামগী ওইনা মাঙজবা অমনি। ইলিগেল ওইবা মনি লেন্দিং বিজিনেস থিংবগী চৎন-কাঙলোন কয়া অমা লৈরি। আর দি আইগী মখাদসু গাইদলাইনশিং লৈ। ষ্টেট অসিদা মনি লেন্দিংগী বিজিনেস তৌরিবা কয়ানা মসি ঙাক্না চৎলিব্রা অমদি চৎতবসু য়াওব্রা হায়বসি য়েংশিন্নিংঙাই ওই। মীয়ামদা কনাগুম্বা মল্টি কম্পেনি কয়ানা অৱাংবা ইন্টরেষ্ট পীগনি হায়না এদভর্টিজমেন্টনচিংবা তৌবা য়াওরিবা অসিসু অয়াবা পীব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওই। প্রাইভেট কম্পেনি খরদা য়াম্লবা শেনফমশিং থমখ্রগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগী ৱাফমসু লৈ। অসিগুম্বা কয়া অসি করম্বা মওংদা য়েংশিল্লিবগে হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমনি। ষ্টেটসিদা রেজিষ্টর তৌরবা মনি লেন্দর কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বসিসু হংনিংঙাই ওই। রেজিষ্টর তৌরবশিং করম্বা মওংদা য়েংশিল্লিবগে হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱাহং অদুগী পাউখুম পীরদুনা ফাইনান্সকী থৌ পুরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, ষ্টেট লেভেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

আর দি এন্দ পি আর দিপার্টমেন্টনা এৱার্দ ৮ ফংলে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টনা ঙসি তোঙান তোঙানবা রুরেল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং নীংথিনা পায়খৎপগী মতাংদা এৱার্দ য়েন্থোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ (আর দি এন্দ পি আর)না তোঙান তোঙানবা কেটগোরিশিংদা এৱার্দ ৮ ফংলে।

ন্যু দিল্লিগী পুসা কমপ্লেক্সতা লৈবা সী সুব্রমনিয়ম ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ নরেন্দ্র সিংহ তোমার অমসুং রুরেল দিভলপমেন্টকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সাধবি নিরঞ্জন জ্যোতিনা এৱার্দশিং য়েন্থোকখি। ট্রেনিংগী কেটগোরিদা মণিপুরগী দিরেক্টোরেট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী মখাদা লৈবা ষ্টেট ইনষ্টিট্যুট ওফ রুরেল দিভলপমেন্টনা নোর্থ ইষ্ট অমসুং হিমালয়ন রিজনগী ওইনা বেষ্ট পর্ফোমিং এস আই আর দিগী এৱার্দ ফংখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম খ্বাইদগী মশিং য়াম্না পাঙথোকপগা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা কৌরম্বা বন্দ হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা খেংজোই ব্লোক্কী হেদ ক্বার্টর ওইরিবা খেংজোইদা মোদেল রেসিদেন্সিয়ল স্কুল অমা শাগনি হায়না তৌরম্লগা চান্দেলগী চিংখির ভিলেজদা হোংদোকখিনবা লৈঙাক্লা পায়খৎলকখিবা থৌরাংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কৌখিবা ইম্ফাল-মোরে লম্বী বন্দ অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে হায়না খেংজোই ব্লোক্কী কে সী এ খেংজোই ব্লোক অমসুং কে এস ও খেংজোই ব্লোক্কী প্রসিদেন্টশিংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লেফ্‌ট পার্টিশিংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইকনা চাওনা অকায়বা থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯গী মায়োক্তা লেফ্ট পার্টিশিংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মহৌশাগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকখ্রে।

জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মরুওইবা কৈথেলশিং ফম্লখিদে। থাঙ্গাল কৈথেল, পাওনা কৈথেল য়াওনা মফম কয়াদা দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। ওইল পম্পশিং, মহৈশঙশিং থোঙ লোন্নখি। লন্নাই গাড়ী খরা চৎনখিবা নৎতনা লম্বীশিংদা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং চেন্নখিদে। লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা ইমপ্লোয়ীশিং ওফিস কাবগী চাং হন্থখি।

তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু লেফ্ট পার্টিশিংনা শীন্দুনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ)গী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফম্লখি। ৱাকৎ মীফমশিং অদুদা নো সী এ এ, নো এন আর সী; ৰিথদ্রো সী এ এ, নো এন আর সী হায়না থাবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি। থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচীং দিষ্ট্রিক্টনচিংবদসু জেনরেল ষ্ট্রাইককী মমি চাওনা তাখি। জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক পুলিসনা মফম কয়াদা ঙাক শেনখি।

অজয় জমৱালনা এম এল এশিংগী ৱাকৎ তাখ্রে, ঙসি সী এম বিরেনগা উনগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিং রিসফল তৌ হায়না দিমান্দ তৌরিবা এম এল এশিংগী ৱাকৎ বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন নোর্থ-ইষ্ট ইন-চার্জ অজয় জমৱালনা তাখ্রে। মহাক্না হয়েং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানগদৌরি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদগী হৌনা পুং ১.৩০ রোম ইম্ফাল হোটেলদা অজয় জমৱালগা মিনিষ্টর রিসফল তৌ হায়না তকশিনবদা য়াওরিবা এম এল এ ১১ রোমগা উনখ্রে। উনবা অদুদা এম এল এশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবশিং অসি পর্ফোমেন্স শোনবতা নৎতনা এম এল এশিংগসু কোওর্দিনেসন লৈনদবা কয়া য়াওরে। কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্লি ইলেক্সনদা বি জে পিগী মপূং ফাবা লৈঙাক অমুক হল্লকহন্নবা অমদি হৌজিক-হৌজিক এম এল এ ওইরিবশিংসু অমুক হন্না মায় পাকহন্নবগীদমক মিনিষ্টরশিং রিসফল তৌবীয়ু হায়না তকশিনখি। এম এল এশিংনা থল্লকখিবা ৱাফমশিং অদু তারবা মতুংদা সেন্ট্রেল লীদরশিংগা তানদুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগে হায়না ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

অজয় জমৱাল

পাউচে অসিগা টেলিফোনদা ৱারী শানবদা অজয় জমৱালনা হায়খি, ইমুং-মনুংদা শাওনবা হায়বসিদি অদুম্মক থোকপনি। ইমুং অমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

কৃষ্ণ রোদ থাবা সাইন বোর্দ থেৎলম্বদগী লৌথখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): সঙাইপ্রৌ মমাঙ ৰাইশেল তাবা লম্বী হায়না খঙনদুনা লাক্লবা লম্বী অসিবু নৌনা কৃষ্ণ রোদ হায়না সাইন বোর্দ থেৎপা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সাইন বোর্দ লৌথখ্রে।

সঙাইপ্রৌ নহারোল ক্লব, য়ং দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৰিংগা খুৎশম্নদুনা সাইন বোর্দ লৌথখি। জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৰিংগী কনভিনর ধনকুমার নিংথৌজানা ফোঙদোকখিবদা, ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈজরক্লবা সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায় ৰাইশেল তাবা লম্বী অসি কৃষ্ণ রোদ হায়না ওন্থোক্লগা সাইন বোর্দ থেৎপা য়ারোই। হান্নদগী লৈজরক্লবা মমিং মুথৎলগা মশা-মশাগী ইন্টরেষ্টতা মমিং থোনবা লেপকদবনি। লৈকায়-লৈকায়দা মখা তানা চথরক্তনবা হোৎনবনি। তুংগী মীরোলদা চম্মবা থোকহল্লোইদবনি। লমদমসিগী হান্নদগী লৈজরক্লবা মমিংদা লৈহনসি। লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা মমিংশিং য়েংশিনবা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায়গী অহল থোকচোম মনিনা ফোঙদোকখিবদা, সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায় ৰাইশেল তাবা লম্বী অসি ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবনি। চহী ৭৩ শুরবা মহাক ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ৱারেপ লৌফম থোকই : কোকোমি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): হৌজিক-হৌজিক চত্থরিবা এসেম্লি মীফম অসিদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ৱারেপ লৌফম থোকই হায়না কোকোমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোকোমিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন এস সী এন-আই এম অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা চহী ২২ রোম চত্থরক্লিবা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন অমা অথুবদা খুৎয়েক পীনগদবগী তাঞ্জা লাক্লে। টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর মীয়াম অমদি কোকোমিনা অয়েৎপা লৈতে। তৌবতবু টোক অসিনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীয়ামদা কায়গদবা ফুরুপ-কাঙলূপকী মিংদা থৌরাং থৌশিল অমত্তা তৌবা য়ারোই অমদি লৈঙাক্তা খল কায়গদবা থৌশিল অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই। করিগুম্বা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ইথনিক লাইনদা টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল শেম্বা য়ারোই। মণিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেট-অপতা হৌজিক অমদি তুংদা কায়রকপা য়াবা খোঙথাং অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই। মণিপুর চেন্নগদব ৱাফম য়াওরক্লবদি মীয়াম অমদি লৈঙাক তানরমগদবনি হায়বসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহঞ্জখ্রে। হৌখিবা নবেম্বর ২৫দা চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবশিং য়াওনা কোকোমিগা ৱারী শানবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ওটোনোমস টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল অমা শেম্মিংবগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবা লৈরে। কোকোমি অমদি চীফ মিনিষ্টরগী মমাংদা হায়রক্লবনিনা মণিপুর লৈঙাক অসিনা হেন্না অচেৎপা ফিরেপ লৌবগী মথৌ তারক্লি। মণিপুর মীয়ামগী ৱারেপ, ফিরেপ অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা থাদুনা খঙহনগদবনি অমদি তকশিনফম থোকই। মরম অদুনা হৌজিক-হৌজিক চত্থরিবা এসেম্লি মীফম অসিদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা অপূনবা ফিরেপ অমা লৌবা মথৌ তাই হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী মায়কৈদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

এম দি এস স্কামগী কেস

হায় কোর্টতা সী বি আইসু পার্টি অমা ওইনা য়াওহনবীনবা হায়জরক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী ৱর্ক এজেন্সি অমা ওইরিবা এম দি এসনা লোক্তাক পাৎতা পায়খৎখিবা ৱাটর স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপগী থবক্তা য়াম্লবা শেনফম অমা লান্না শীজিন্নখি হায়বগী চার্জদা পুলিসনা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেসতগী সোসাইটি অসিগী চ্যেরমেনশিং ওইরমখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, এম এল এ য়াওনা অতোপ্পা ওফিসল মঙাগী এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেলশিংগী হিয়রিংগী প্রোসিদিংশিং চত্থরকপদা সী বি আইসু পার্টি অমা ওইনা য়াওহনবীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হায়জরক্লে।

মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস)না ৱাটর স্পোর্টসকী ইনফ্রা-ষ্ট্রকচরশিং শেমগৎনবগীদমক পায়খৎখিবা থবকশিং অদুদা য়াম্লবা শেনফমশিং হৈনথোকখি হায়রদুনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী নুমিদাং পুং ৭ তারকপদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর-২৪৪(৯) ২০১৭নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৪২০/৪০৬/ ১২০-বি অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৯৮গী সেক্সন-১৩ (২) গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি। কেস ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ꯃꯤꯌꯥꯝꯗ ꯍꯥꯏꯖꯕ / PUBLIC APPEAL

IMPHAL, the 17th Dec., 2019

MSPDCL গী **Imphal Electrical Division I, II, III** অমদি **IV** না কোনবা মফমদা লৈরিবা **Post-paid** নৎত্রগা **Unmetered** কঞ্জ্যুমরশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৈগী বিল শাবা অমদি থীদোকপগী প্রোসেস অসি হেন্না ট্রান্সপরেন্ট ওইননবা অমদি কঞ্জ্যুমরশিংদা হেন্না খূদোংচানবা অনৌবা billing system অমা হাংদুনা লৈরে। কঞ্জ্যুমরশিংনা web address http://billing.mspdcl.info দা চঙলগা ইশাগী বিল য়েংবীবা অমদি থীদোকপীবা য়ারগনি। Online billing system অসিদা শারকপা বিল নৎতবা হান্না চৎনরম্বা hand-bill অমত্তা কঞ্জ্যুমরশিংনা লৌবীদনবসু নীংশিংজরি। Pre-Paid meter য়াখিদবদগী meter লৌথোকখিবা নৎত্রগা pre-paid meter activate তৌদ্রিবা কঞ্জ্যুমরশিংদসু হায়রিবা billing system অসি চৎনগনি।

কঞ্জ্যুমরশিংনা ইশা-ইশাগী কনেক্সন হায়রিবা billing system অসিদা রেজিষ্টর তৌরব্রা হায়বদু চ্যেক তৌবীনবা নীংশিংজরি। করিগুম্বা হায়রিবা billing system অসিদা রেজিষ্টর তৌদ্রিবা ওইরগদি লাক্লিবা তাং ১৫/০১/২০২০ ফাওবগী মনুংদা ইশাগী মনাক নকপা MSPDCL sub-division office তা চৎপীদুনা রেজিষ্টর তৌহনবীয়ু।

করিগুম্বা MSPDCL গী মোবাইল রেইদ টিমনা খঙহৌদনা চ্যেক লাকপা মতমদা অনৌবা billing system অসিদা রেজিষ্টর ওইদবা কঞ্জ্যুমর থেংনরবদি সোমগী কনেক্সন অদু ইল্লিগেল ওইনা ট্রিট তৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩গী মতুং ইন্না চৈরাক ফংবা য়াই। রেইদ টিমনা দিসকনেক্ট তৌরম্লবা মতুংদা কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা অমুক হন্না মৈ কনেক্সন লৌরম্লবদি চহী অনী ফাওবা মৈ কনেক্সন কক্পা য়াই।

Sd/- **B. Ibomcha Sharma**
GM (Electrical Circle II, MSPDCL)

HL-B/5897/18,19 & 20

মপুং ফানা নীংতমদ্রিবা মখৈদি নোর্থ ইষ্ট মীয়াম ফাজিন পূনশিনবগী ফীভমদা লৈখিগনি : এন এস সী এন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯: মপুং ফানা নীংতম্বা ফংদ্রিবমখৈদি অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা মীয়াম ফাজিন-পূনশিনবগী ফীভমদা লৈখিগনি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালেন্দ/নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দনা ফোঙদোরক্লি।

এন এস সী এনগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন ওফ পব্লিসিটিগী ইন চার্জ লেফটনেন্ট কর্নেল জোসেফ লমকাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯ নম্ফুদা পাস তৌখিবগী মায়োক্তা অৱাং নোংপোক লমদম (ৰেসিয়া)গী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী থৌওং অদু তরাম্না ওকই।

মতুং তারকপদসু লাইনিংদা য়ুস্ফম ওইবা অতৈ অতোপ্পা এক্ট কয়া নমদুনা চৎনহল্লকপগা লোয়ননা ৰেসিয়া লমদমদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপা য়ানা লৈরে। হন্দক্তা পাস তৌখিবা বিল অদুনা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদগী অয়াবা য়াওদনা মীতোপ কয়া চঙলকপদা পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা থোক্লে। মদুনা মরম ওইরগা রিজনেল দিমোগ্রাফিদা চাওনা অহোংবা লাকহল্লগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, নাগা পোলিটিসিয়ন খরনা মীয়ামগা খন্নরম্বা তৌদনা বিল শৌগৎখিবগী থৌওং অদু মীৎয়েং শানদবা পোলিটিসিয়নগী মতৌনি। মখা লামায় ৩ কলম ৫

BOOK ONLINE TODAY
BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24x7
Power by: IMPHAL FINANCE
For Booking
Dial:
1800-345-3838
8258070746
9402267525
TRACK YOUR RIDE IN REAL TIME. KNOW HOW FAR YOUR RIDE IS.
GET IT ON Google Play DOWNLOAD 100% FREE APP
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor
HL-P/5531/12/12-13/01

HL Poll

Q: State asigi tongan-tonganba mafamsingda leiriba PHC, CHC sing asi mathou ningthina pangthok e khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur leingakki ministersing reshuffle tou haina MLA 19 na CM da takshillakliba asi maram chai khanbra?

Yes	70%	No	30%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২২ °C খ্বাইদগী ঈংবা ৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!


- তমো, চাক লোইরে চাক চারসি য়ারদরা?
- ঙাইখো, সেন্টরগা অমুক্তা তানখিগে...!

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫